# স্কুলগী মহৈরোয়শিংনা দিজিটেল টেক্নোলোজিশিং তমশিলহৌনবা এ আইগী কোর্স খরা

**- পোৎশংবম হকিম খাবা -**

ঙসিদি আর্টিফিশল ইন্টল্লিজেন্স (এ আই) কী কোর্স কয়ানা মহৈরোয়শিংগী মফমদা অৱাংবা থাক্কী মহৈ তম্বা অমসুং তুংগী পূন্সিগীদমক শেম-শাবদা য়াম্না চাউনা মতেং পাংলে। অনৌবা মতমগী টেক্নোলোজি মখল কয়ামরুম পুথোক্লরকপা অসিনা মরম ওইদুনা ২১শুবা চহীচা অসিদা মমাঙৈঙেগা মান্নদবা চাওখৎপগী অনৌবা য়াওল অমা মালেম শীনবা থুংনা উবা ফংলক্লি। অসিগুম্বা য়াওল অসিদা টেক্নোলোজিগী ওইবা খ্বাইদগী হেন্না শীংথানীংঙাইনি হায়না খন্নরিবা এ আই হায়বসি শাফোঙলকপা ঐখোয়না উবা ফংনরি। মসি পুথোক্লকপা কুইদ্রিবা টেক্নোলোজি অমা ওইবা তারবসু, ইলেক্ট্রিকল গেজেট নৎত্রগা অতৈ এপ্লাইন্সশিংদগী হৌরদুনা, ক্রিয়েটিভ ওইবা হীরমশিং ফাওবদা ওটোমেটিক ওইনা অমদি অশোয়-অঙাম য়াওহন্দনা মথৌ পাঙথোকহন্নবগীদমক্তা পাক-শন্না শীজিন্নরে। অদুবু মালেম অসিদা লৈরিবা মীওই অয়াম্বনা এ আই অসি মতৌ করম্না শীজিন্নগদগে হায়বা খঙনদবা মরম্না টেক্নোলোজি অসিনা পীরিবা কান্নবশিং অদু মপূং ফানা ফংবা ঙম্নদবগী অৱাবা মায়োক্নরি।

মথক্কী ৱাফম অসিনা মরম ওইদুনা মালেমগী এদ্যুকেশন সিষ্টমশিংদা এ আই অমসুং মেছিন লর্নিং হায়বা হীরম অনী অসিবু করিক্যুল্লমশিংদা হাপচিন্দুনা মহৈরোয়শিংদা তম্বীবা হৌরক্লি। হায়রিবা করিক্যুল্লমশিং অসি মহৈরোয়শিংবু জেনেরেটিভ এ আই (জেন এ আই) অমসুং মসিগী মওং মতৌ কয়া অদু হৈহনবা ঙম্নবা মওংদা শেম-শাবনি। থৌওং অসিনা স্কুল তম্লবা মহৈরোয়শিংদা য়াম্না নহা ওইরিঙৈদগী হৌনা হৈগন-শিংগনবা পূক্নীং (ইন্নোভেটিভ মাইন্দেসেট) মওং অমা শেমগত্তুনা মরন্নাইগী তুংদা লাক্কদবা পূন্সি-মহিংদা য়াম্না চাউনা কান্নহনগনি। স্কুল কয়ানা এ আইগুম্বা মতম্না পুরকপা কোর্সশিং অসি করিক্যুল্লমশিংদা য়াওহন্দুনা মহৈরোয়শিংদা তম্বীবা হৌনরকপগা লোয়ননা ইদটেক প্লেটফোর্ম খরনসু এ আইগী ঈহৌ অসিবু পাক-শন্না মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা হোৎনরি।

হায়রিবা তম্বা হৌগৎলকপগী ইন্ট্রোদক্টরি কোর্সশিং অসিনা জেন এ আইগী মোদ্যুলশিং, মেছিন-লর্নিং অমসুং লেংগ্বেজ লর্নিং মোদেল (এল এল এম) হায়রিবা হীরমশিং অসিগী মরমদা বেসিক নোলেজ পীবগা লোয়ননা পূম্নমক অদু মতৌ করম্না শীজিন্নগনি হায়বসি থবক ওইনা হৈহল্লি। মসিদসু নত্তনা কনাগুম্বা থৱায় য়াওবা, এ আইগী থবক-থৌওং, মচাক-মথুম অমসুং টেক্নোলোজি অসি পুথোক্লকপগী লুরবা ইঞ্জিনিয়রিং পূম্নমক অসিবু মুন্না খঙনীংবা স্কুলগী মহৈরোয়শিংগীদমক দিজিটেলগী খূথাংদা হেন্না খূমাঙ চাওশিল্লবা এদভান্স কোর্সশিংগী কান্নবসু পীরি।

**মেছিন-লর্নিং :** মীওইবনা করিগুম্বা হীরম অমা হৈবা ঙম্নবা তমশিনবগী মওং অদু খূৎশেমগী হৈ-শিংবা (আর্টিফিশল ইন্টল্লিজন্স) না মতৌ তম্বা ঙমহন্নবগীদমক্তা দাটা অমসুং এলগোরিদমশিং শীজিন্নবা হায়বা ৱাফম অসিদা য়ূম্ফম ওইবা এ আই অমসুং কম্প্যুটর সাইন্সকী মেছিন-লর্নিং হায়বা অসি অচুম্বা লোন্দাদা ঐখোয়না করিগুম্বা থবক অমা খঙজিন-হৈজিন্নবা হোৎনবগী থৌওং অদুমক এ আইগী মোদেলশিংনা তৌহনবনি হায়না লৌবসু য়াই। আর্টিফিশল ইন্টল্লিজন্সকী হীরম অসিদা অৱাংবা থাক্কী মহৈ তম্লীংবা মহৈরোয়শিংনা য়ূমদা নুংঙাইনা লৈরগা ইদটেক প্লেটফোর্ম কয়ামরুম্না তাকপী-তম্বীবা ইন্ট্রোদক্সন টু মেছিন লর্নিং এন্দ প্রেক্টিকেল মেছিন লর্নিং অসিনচিংবা ইন্ট্রোদক্টরি কোর্সশিংদা য়াওবা য়াগনি। হায়রিবা কোর্সশিং অসি অকক্লবা সবজেক্টশিংগী এক্সপর্ট অমসুং ইন্দষ্ট্রিগী থবক্তগী পোত্থারবা অখঙ-অহৈশিংনা মরী লৈনবা ফন্দামেন্টল কনশেপ্ট, বেসিক এলগোরিদম অমসুং কোদিং এক্সপরিয়েন্স হায়রিবশিং অসিগী য়ূম্ফম ওইবা মশক-মওংশিং অদু খঙহন্নবগীদমক্তা শেম-শাবনি। মহৈরোয়শিংদা অরুবা দাটা এনালাইজ তৌবা অমসুং প্রোগ্রামশিং এসিষ্টেন্সকী মথৌ তাহন্দনা প্রিদিক্সনশিং পুথোকহনবগা লোয়ননা, এন এল এমশিংবু হৈজিনবনচিংবা অরুবা স্কিলশিং খঙহল্লি। কোর্সশিং অসিগী অকক্লবা মতম লৈতে। তম্লিংবা মতমদা তম্বা য়াই অমসুং তম্বা হেক লোইবগা সর্টিফিকেট ফংগনি।

**ইন্ট্রোদক্টরি আর্টিফিশল ইন্টল্লিজন্স :** এদ্যুকেস্নিষ্টশিংগী মায়কৈদগী, স্কুলগী মহৈরোয়শিংদা এ আই অমসুং মসিগী অরুবা মশককশিং অদু তম্বীবা মতমদা হীরম পূম্নমক শীজিন্নবগী মওং (জেনেরেলিষ্ট এপ্রোচ) দগী হৌবনা ফগনি হায়না মত পীনৈ। মসিগী মরু ওইবা মরমদি মীপূম খূদীংমক অসি মশা মশাগী মথৌ পাঙথোকপা মতমদা জেন এ আইগী শরুক খরদি শোয়দনা শীজিন্নগনি হায়বা অসিনি অমসুং থৌওং অসি স্কুল তম্লিবা মহৈরোয়শিংদা এ আইগী মোদেলশিং অসিবু শীজিন্নবগী লৌশিং নীংথিনা লৈহল্লবদি হেন্না মপূং ফাহনগনি। অনৌবা মতমগী টেক্নোলোজিশিং অসি পাম্বা-পামদবা, চহী মখল খূদীংমক্কী মহৈরোয়শিংনা তমশিনবা ঙমগদবা ইন্ট্রোদক্টরি এ আইগী কোর্সশিং দিজাইন তৌদুনা ইদটেক প্লেটফোর্মশিংনা পুথোক্লিবা অসিসু পান্দম অসি ফংনবগীদমক্তনি।

**আর্টিফিশল ইন্টল্লিজন্স ইন্ট্রোদক্টরি কোর্সশিং :** চেটজিপিতি কোর্স, ভর্চ্যুল এ আই এসিষ্টেন্ট কোর্স (জে পি টি - ৩ এ পি আই পাৱর্দ) অমসুং বেসিক পাইথন হায়রিবশিং অসি এ আইগী ইন্ট্রোদক্তরি কোর্সশিংনি। মসিনা চেটজিপিটিদা পৱার পীবা বেসিক এল এল পি আর্কিটেচকর অমসুং ষ্ট্রিমলাইন তৌরবা কন্টেন্ট অমদি কোদিং মেটরিয়ল পূম্নমক অসিবু মরু ওইনা নৈনগনি। থৌওং অসিনা মহৈরোয়শিংগী মফমদা এ আইগী চেটবোক্স চেটজিপিটিগুম্বা শীজিন্নবা তম্বীদুনা মহৈরোয়শিংগী মথৌ নীংথিনা পাঙথোকপা ঙমহনগনি। হায়রিবা কোর্সশিং অসিদা দেমোন্সত্রেশনগী প্রোজেক্টশিংসু য়াওহন্দুনা মহৈরোয়শিংবু মশানা তানশিল্লিবা লৌশিং অদু শীজিন্নহল্লগা হৈবা হেনগৎহন্নবা হোৎনৈ।

**প্রোগ্রাম্মিং অমসুং পাইথন :** এ আই, মেছিন লর্নিং অমসুং মপূং ওইনা কম্প্যুটর সাইন্সকী য়ূম্ফম অসি প্রোগ্রামিং হায়বা অসিনি। পাইথন হায়বসিনা ঙসিগী মতম অসিদা খ্বাইদগী হেন্না মমিং পন্নরিবা প্রোগ্রাম্মিং লেংগ্বেজ অমনি, অদুবু হায়রিবা কোর্সশিং অসি স্কুলগী মহৈরোয়শিংনা খঙবা ঙমগদবা চাং অদুদগী খজিক্তং লুশিনবা হেল্লি। ৱাফম অসি ওইদুনসু জুনিয়র একাদেমিক্কী মতম লোইশিল্লক্লবা অমসুং কম্প্যুটর সাইন্স তম্লিবা মহৈরোয়শিংনা পাইথন অমসুং অতোপ্পা প্রোগ্রাম্মিং লেংগ্বেজশিংগী ইন্ট্রোদক্টরি কোর্সশিংদা মিং চনশিনবা য়াই। ইন্দিয়াগী ইদটেক প্লেটফোর্ম কয়ামরুম্না হীরম অসিগী লৌশিং লৈত্রিবা মহৈরোয় কয়াদা প্রোগ্রাম্মিংগী ফন্দামেন্টলশিং, পাইথনগী বেসিক ইন্ট্রোদক্সনশিংগা লোয়ননা তাকপী-তম্বীরি। হায়রিবা কোর্সশিং অসি মহৈরোয়শিংগী মফমদা এলগোরিদমিক থিঙ্কিং অমসুং সবজেক্ট দিজাইন হৈহনবা ঙমগদবা মওংদা শেম-শাদুনা পুথোকপনি। লৌশিং অসি লৈবা তারবদি অকক্লবা হীরম অমদা দিগ্রী লৌবা য়ারে।

ইন্দিয়া অমসুং মপানগী লৈবাকশিংদা মহৈ-মশিন তম্বীবগী মওং অসি ইন্নোভেশন অমদি হৈ-শিংবা হেনগৎহনবা হায়বা ৱাফম অনী অসিদা মরু ওইবা মীৎয়েং থমদুনা, খোঙজেল য়াঙনা অনৌবা শক্লোন অমদা হোংলক্লি। মসিগা চপ মান্নবা ৱাখল্লোন কয়াদা য়ূম্ফম ওইদুনা ইন্দিয়াগী নেশনল এদ্যুকেশন পোলিসি অসি পুথোক্লকপনি অমসুং কোদিং, এ আই অমদি টেক্নোলোজিগী ওইবা মওং-মতৌ কয়ামরুম অনৌবা মতম অসিগী মহৈরোয়শিংদা তম্বীনবগীদমক্তা করিক্যুল্লমশিংবু চূনগদবা মওংদা শেমদোক্নরক্লি। টেক্নোলোজিনা লেপ্পা লৈতনা চাওখৎলকপগা লোয়ননা স্কুলগী মহৈরোয়শিংদা মতম্না পুরকপা স্কিল অমসুং লৌশিং হায়রিবশিং অসি ক্লাসরুমশিংদা তমদবা য়ারক্তে। ●

# কংলৈপাক্কী ঙমখৈ অমদি মীকপ মীরাওখোল

**- রাজেন তোইজাম্বা -**

***"কংলৈপাক অসিগী মায়কৈ মরি ঙাক্লিবা কৌব্রু, ৱাংব্রেন, থাংজিং, মার্জিং - নখোয়গী নখুয়াদা খুরুমজে। ঙসি কংলৈ খুন্নাইনা হিংজরক্লিবা অসি লৈহৌ-নোংহৌরকঙৈদগী চায়োক নাউয়োকপীরক্লিবা ইপা-ইপু ওইনা লেংবা কৌবা লৈতনা লেপ্পীরক্লিবা চীংজাও-চীংশাং পরেংশিং নখোয় লৈবদগীনি। অদুগা পলেম খোন্নাংনগুম্না থৱায় য়াইবী পীনা লাইজ চিন দম্বীরক্লিবা য়াংদৌ তুরেলশিং, অমনা লেপ্লে চরা চইন-তম শাম্মা পাঙ্গল হাপ্পীরক্লিবা কোনয়া পাৎলেন ঈরেলবুংশিং নখোয় লৈবদগীনি। কংলৈ ঈগী ঈরিকশিংনা খুনপান লৈপান্দুনা খোইরী লীনশাং তাফম ওইজরিবা নখোয়গী নশাইগোন অসি লৈজবনা থৱায়শিং অসি হিংজরিবনি।"***

কংলৈপাক ইম্ফালগী ময়োলদা করিদগী মীকপ-মীরাওখোল তারক্লিবনো? হৌজিক কংলৈপাক্কী ঙমখৈ হায়বদু কদাইদগী কদাইফাওবা ওইরিবনো? চহী লিশীং কয়া ঙাকপী শেনবীরক্লিবা চীংশাং পরেংশিং অসিগা অসুক লাপথোক্নরক্লিবা অসি করিদগীনো? চীংশাং পরেংশিং অসিদগী হৌরক্লিবা লোক্কী ঈচেলশিং অসিদা নুংশিবগী মীহুল অমত্তনা য়েংবা ঙমদ্রবরা? কংলৈ মচাশিংগী থৱায় মিরেলশিংদা পূম্নমকসিবু নুংশিবগী ইৱায় ইনিল অমত্তনা শোক্ত্রবরা? মীতোপশিংগী মখূৎ চনখ্রবা সনা কৈথেল মচা অসিদা ফংলিবা হিংনবগী পোৎলম খরসি চা থক্তুনা কংলৈপাক মচাশিং চহী কয়া শাংথনা হিংজবা ঙমখিগদগে? কূক-কূক ইন্ননা তাশিনখ্রবা মশাগী থোঙ থোঙনাও ফাওবা মকা লাম্না হাংদোকপা য়ারক্ত্রবা পূন্সি মরেল অসিদা ৱাখল পূম্নমক শুংজিন্দুনা কোনশিন-কোনশিন্দুনা লৈনরগা কনানা ঙমখৈ কনবীগনি? থাদরক্লিবা লৈঙাক্লোনগী পাথরক্লিবা শেলগী ঈফুৎ মরিক খরসিদা খূৎ পূম্নমক তুংবুন্নরগা লৈতোন-লৈতোন্না খজিক-খজিক লেকপা ফংননবা হিংনরি। মসিদা মীওইবগী লীচৎ হায়বদু ঙম্নমক ঙাক্নরক্তে। ইপানা-ইপুনা থম্বীরম্বা ইরল অমত্তা চুম্না ঙাকপা ঙমজদ্রবা কাঙলূপ হায়বদু হৌজিক ওইদ্রিবরা? লৈঙাক্কী থৌরাংগা লৈপাক মীয়ামগা শম্নবা ঙম্লিবরা? লৈঙাক্কী পোরমশিংদা তুংইন্নরিবশিংদা মশাগী মরৈপাক্কী ৱাখল পোকচবা ঙম্লিবরা? খূৎ লোন্নবদগী হেন্না মখূৎ থাংগৎচবদি ঙমদ্রবা লৈঙাক্লোইশিংদা কংলৈপাক্কী ঙমখৈ উবা ঙম্লিবরা?

অৱাংদগীনা নোংপোক, নোংপোক্তগী খা, খাদগী নোংচুপ হারম, অরোইবা ঙমখৈ, ঙমখৈগী পরিংশিং অসিদা করম্বা লৈঙাক্লোনগী পোরম কাঙলিবগে? মশাগী লমখৈগী শম্বল মীনা হোংদোক হোংজিন তৌখিবদা নুংঙাইরবা ফুঙ্গা ৱারী তাবগুম তাদুনা লৈনরি। শম্বল ঙাক্লিবা মীতোপ সিফাইশিং অদুনা কংলৈপাকপু কদাইফাওবা নুংশিরমগনি? কংলৈ ময়োলদনা মমা কয়ানা থবাক ফুদুনা তেংথারি। মনীং মমাঙ হোত্রোং হোরবা লৈঙাক্লোন অসিদা করিগী আশা অমুক থমখিগনি?

কংলৈপাক অসিগী ঙমখৈ ঙাকপা ঙমজরক্তবগী মতৌ অসিদি ঙসি ঙরাংতা নৎত্রবনি। ইনিংথৌ চন্দ্রকীর্তিগী মতমদগী য়ূমথংনবা লৈবাকশিংগী লৈঙাক্লোন এক্সটর্নেল এফ্যেরস অসিদি সাহেবশিংনা পায়দুনা লাকখ্রবনি। সাহেবশিংগী মহুত্তা হৌজিক্লা ইন্দিয়া লৈঙাক্না শীনখিবা অসিতনি। ইন্দিয়া লৈঙাক্কী হৌজিক্কী লৈঙাক মতৌ অসিদা ঙমখৈগী ৱাফম অসি য়াম্না চয়েৎনরিবা অমনি। মরু ওইনা অসাম, নাগালেন্দ, মিজোরামগী ঙমখৈ তাইনরিবা অসি নত্তবা ইন্টরনেশনল বাউন্দরিগী শরুক অসিনি। চংশিল্লক্লিবা মিরান লম্বাশিং অসিগী মখুলশিং অসি য়াম্না লাউনা হোরি। ব্রহ্মাগী সগাং রিজন অসিদা ফাওদুনা চৎলিবা ত্রেন লম্বী অসিদগী খায়দোক্তুনা নেশনল হায়ৱে অমা শ্বেবো (Shwebo) হায়না খঙনবা অসি ফলাম (Falam) দা থেংনদুনা চংশিল্লক্লগা ইম্ফাল তম্পাক তম্লক্লি। অচৌবা হায়ৱে অসিনা নম্ফালোং তারক্লিবা অসিদা কাঙলূপশিং অসিনা লল্লোন ইতিক তৌবগী খুদোংচাবসু লৌরি। অদুগা ফেন্সিং খাদ্রিবা বাউন্দরি পিল্লর মফম খঙদ্রবা দিসপ্যুটেট ওইরিবা মফম কয়াদা পাক্তক্লনা তাশিল্লক্লি।




কংলৈপাক্কী ঙমখৈ পরিং অসি নোংচুপ হারমলোমদা চিন হিলসতগী মসা মরেং ওইনা খাইদোরক্লিবা মিজোরামগা তাইনরিবা চীংগী শরুকশিং অসিদগী লাক্লগা তেংনৌপল সব দিভিজনগী ঙমখৈ, হাইগৎলক্লগা উখ্রুল, খরশোম অসিফাওবগী শাংলবা অহাঙবা শরুকশিং অসিনি। মরক অসিদা মণিপুরী নাগাশিংনা তেংনৌপল, চান্দেল, চকপীকারোংগী লমশিং অসিদসু য়েৎশিন্নদুনা লৈরি। হৌজিক কুকি চিনশিং অসিনা চহী য়াঙ্খে হেন্না লাম্থেংনরক্লবা নাগাশিংবু কিবিদ্রে। মীশিং য়ামখৎলকপগী মপাঙ্গল কনখৎলক্লবা কাঙলূপ ওইশিল্লকপনা মতম অমদা নাগাশিং উবদা কোইচেন চেল্লম্বা, কোইলোৎ লোৎলম্বা অদু তৌখিদ্রে। ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুশননা মেজোরিটিদা য়ূম্ফম ওইরকপা পোলিটিকেলগী কাঙলোন অসিদা মখোয়গী মপাঙ্গল য়ৌনা কনখৎখ্রে। হৌজিক্কী লৈঙাক কাঙলোন অসিদা ইন্দিয়াগী সিটিজন অমা ওইবা হায়বসিদি খুবিনা সাইন অমুক্তং তৌবীরগা নোংঙাল্লগা এম এল এ ওইরকপা অদুম য়ারবনি। মসিদবু ঙমখৈগী ৱাফম কয়াম লুরিবগে?

কুকি রেভলুশন হৌরকপা অসি ১৯১৭-২০গী মতমদনি। সাহেবশিংনা মখোয়বু অহানবদা লেবর ওইনা শীজিন্নরকই। 'লোনপি' হায়বসি হৌজিক্কী চান্দেল দিষ্ট্রিক্তকী মনুংদা লৈরিবা 'মোনপি' হায়বা অচৌবা খুল অসিনি। খুল অসি চকপীকারোংদগী খা নোংচুপ পাংনা চৎথরগা মিশু চীংশাং অসিগা শম্নখ্রিবা শরুক অসিদা কিলোমিটর ১০গুম্বা চঙশিল্লগা লৈ। মতম অদুগী রেভল্যুশন অসিগী লুচিংবসি খুল অসিগী নিংথৌ 'ঙুলখুপ' হায়বসিনি। খুল অসিগা ইৱাপ লাপ্পদনা 'হাইকা' নৎত্রগা 'হাইখা' কৌবা খুল অমসু লৈরি। মোনপিদগী খা থংবা লোকমাইগী পরিংদা অসুম অসুম খা পাংনা চংশিনখ্রগা ব্রহ্মাগী ঙমখৈগা নক্ল-নক্লনা জোশিংনা খুল মচা মচা কয়া তারি। লম্বী অসিদা ফাওদোকখ্রগা 'মোলচম' হায়বা ব্রহ্মা বোর্দরদা লৈবা অচৌবা খুল অসিদা খা মায়কৈগী লল্লোন ইতিক তৌফমনি। চকপিকারোংদগী সাইকলনা লম্বী অসিদা চঙখিবদা নোংমগী লম্বী খক্তনি। ইম্ফালদগী চকপীকারোং ফাওবনা চাওরাক্লা কিলোমিটর ৭৫গুম্বনি। ইম্ফাল তম্পাক্তগী ব্রহ্মাগী ঙমখৈ পরিংশিং য়ৌনবা লম্বীসি মশীং য়াম্না লৈ। লম্বী অয়াম্বদা চৎনরিবসি কিলোমিটর ১১০/২০ খক্তনি। মোলচমদগী মনীং পাংনা চৎখ্রগা খেংজোই চীংশাং, সিংহাৎ, টিদিমনি। খা মায়কৈগী পরিং অসিদা লৈরিবা মমল য়াম্লবা তাঙলবা উপাল কয়া হৈপাল কয়া অসি চহী অমদা অমুক অনীরক লাম্মৈ থাদোক্তুনা তুম্না তুম্না মাঙহল্লি। উমংগী শক্তমশিং অসি তত্তনা থুগাইরগা হোংলক্লিবা মশক অদুদা হূ পাম্বী থাজিল্লক্লি। কংলৈপাক ময়োল অসিগী লৈঙাক্লা চহী কুমশিং কয়া হন্না য়েংবীদনা হুন্দোক্তুনা থম্লিবা শরুকশিং অসিদগীনি ঙসি তম্পাকলমদা মীকপ মীরাওখোলতনা থল্লক্লিবা। থংনবা ম্যান্মারগী সিফাইশিংনা মখোয়গী ঙমখৈ পরিংদি চেকশিন্না ঙাক্লি। বাউন্দরি পিল্লর কয়া হুরান লোন্নাদা হোংদোক হোংজিন তৌদুনা কংলৈপাক্কী ঙমখৈদা মচেৎ মচেৎ ইনশিল্লক্লি। ইন্দিয়া লৈঙাক্কী খোঙমী লাম্নীশিংনদি মীগী মচাশিংনা মরৈপাক নুংশিরিবা অদুগী শরুক মচেৎ অমত্তগী মতৌ উদবগুম মমিংতা ওইনা য়ুং-য়ুংদুনা মতম লেল্লি। লোইবা নাইদ্রবা ৱাথোক মচেৎ-মচেৎশিং অসি মতম্না হেক হেক কাউথোকখি। খরা লাওরম খোৎলম্লগা নেমথ-নেমথখিবা মতমশিং অদুদা শবি উচিশিং অসিনা কয়া য়াম্না কদাই ফাওবা ফাওজিল্লক্লবগে হায়বদু নোংমতা হিসাব তৌরুদে। নীংবা ফাওবা নীংশিংলুদে। সাহেবশিংনা কুমজা ১৯১৭কী ওক্তোবর থাদা মোনপিগী খুল অসি ঙুলখুপ ফাবা ঙমদবগী মরালদা মৈনা তুম্না থাদোক্তুনা চাইখাইখি। মতম অদুদগী রেবেল কুকিশিংনা ইম্ফাল ময়োলদফাওবা এটেক তৌনবা ১৯১৭কী দিসেম্বর থাদা হোৎনরকখি। ঈহৌ অসিবু ঙসি কুকি চিনশিংনা শীংথারদুনা সিলেব্রেট তৌরি। মতম অসিদগী টিদিম মায়কৈদগী চঙশিল্লক্লিবা কাঙলূপ অসিগা চিন হিলসতগী চঙশিল্লক্লিবা হাকা চিনশিং অসিগা নকশিন্নদুনা মরা তাশিল্লকখ্রে। অসিগুম্বা অরানবা মওংদা সাহেবশিংগী মথক্তা লেবর ওইবা তোক্লনবা লালহৌ অসিবু কাঙলূপ অসিনা ঙসি য়াম্না চাউনা শীংথারি।

অমরোমদদি কাঙলূপ অসিনা মখোয়শিং অসি ইজরেলদগী লাকপনি হায়দুনা য়াম্না চাউথোকচনা মখোয়গী লাইশোন তিনশোন্দা হেক অহৌবদা ইজরেলবু পন্দুনা খুরুম্লি। 'ইজ রেলপা' হায়বা ৱাহৈশিংনা যীশু খৃষ্টকী মিংদা শোল্লিবা লাইশোন্দা মরু ওইবা মিঙ্খৈ অমা ওইরি। খৃষ্টিয়ান মিসনরিশিংনা তম্পাক্তগী মায়থীদুনা চীংদা হাইগৎখ্রগা মশাগী মনাৎ মশাগী পুৱারী লৈজদবা কাঙলূপশিং অসিদা চংশিন্দুনা থমাইশিনখি। মিসনরিশিং অসিনা থাকখিবা ধর্ম্মগী লাং অদুনা ফাখ্রবা, থুখ্রবা, চীংগী কাঙলূপ মশেলশিংবু অমত্তা ওইনা পুনশিন্নবগী লম্বী ওইখি। মসিনা মীতৈদগী তোঙান্না লাপথোকখিদুনা চীংগী ওইবা লৈঙাক অমগী মঙ শাগৎহনখি। মসিদগী লাকখি 'সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেশন'। হোংলক্লিবা ওইরক্লিবা শক্তম অসি চহী ১০০গী মনুংদনি। অমনা খৃষ্টিয়ান ওনখ্রবা নাগাশিংনা অমুক সাউথ নাগালেন্দগী মঙদা চৎখ্রি। অদুবু কাঙলূপ অনীসি পুনবদি য়াদ্রি। মসিদা লুরিবসি কংলৈপাক মচাশিং অসিনি। ●

# নেটৱর্ক ইফেক্ট হায়বসিগী মরমদা খঙমিন্নসি - (২)

**- আনন্দ লাইশ্রম -**

(ঙরাংগী মখা চত্থজরকপা...)

মসিনা মরম ওইদুনা মালেমগী লম লমদা, দিজিটেল প্লেটফোর্ম কম্পনি মশীং খরা খক্তনা ইকোনোমিদা য়াম্না চাউবা মফম কল্লগা লৈনৈ। অদুবু মরকসিদা, অমেরিকাদগী হৌরকপা দিজিটেল প্লেটফোর্ম (Facebook, Google, YouTube, Netflix, Amazon) খরনা মফম খুদিংমক্তা য়াম্না পাক-চাউনা শন্দোক্তুনা লৈ। লম-লমদা মশা-মশানা হৌদোকচবা দিজিটেল প্লেটফোর্ম লৈনবা লৈ। ইন্দিয়াদা Ola (Uber গা থেংনবা), Flipkart (Amazon গা থেংনবা) Zomato নচিংবা ময়াম্না অদুম খঙনবীরমগনি। অদু ওইবা তারবসু অয়াম্বদদি অমেরিকাদগী হৌদোরকপা দিজিটেল প্লেটফোর্ম খরা অসিনা ফম চাউনা লৈ।

নেটৱর্ক ইফেক্টনা মরম ওইদুনা, দিজিটেল প্লেটফোর্ম খরদা য়াওরিবা মী মশীং হেনখিবা তারবদি মখোয়দগী অমুক হেনগৎপা অসি য়াম্না লুবা থবক অমা ওই। মসিনা মরম ওইদুনা দিজিটেল প্লেটফোর্মশিংদা শেল য়াম্না থাদরগা মী মশীং হেন্না য়াওহন্নবা দিস্কাউন্ট কয়া অমসু পীনৈ। ফেসবূকনা হৌরকপদা মী মশীং হেন্না য়াওরক্লবা ভিদিও গেম কয়া অমা (Mafia Wars, Farmville নচিংবা) মীয়ামদা ফ্রীদা ফংহনখি। দিজিটেল প্লেটফোর্ম অমনা হৌরকপগী চহী খরদি শেল অমত্তা তোংদবা য়াই। অদু ওইবা তারবসু, দিজিটেল প্লেটফোর্মদা য়াওরকপা মী মশীং হেনগৎনবা ইনভেষ্টর কয়া অমা শেল লেপ্তুনা থাদবা য়াই। অমুক মশীং হেনখিবা তারবদি দিজিটেল প্লেটফোর্ম অমদুগা থেংননবা অতোপ্পা দিজিটেল প্লেটফোর্ম অমত্তা হিংবা ঙমদবা অমসুং থবক থিংজিনখিবা য়াই। অদু ওইবা তারবদি, লৈহৌরিবা দিজিটেল প্লেটফোর্ম অদুনা কোন্না মীয়ামদগী ফী লৌরগা শেল তানখৎলকপা য়াই। মসিনসু মরম ওইদুনা, অমেরিকাদগী হৌরকখিবা দিজিটেল প্লেটফোর্ম খরা অমা মালেমগী লম অয়াম্বদা পাক-চাউনা শন্দোকপা ঙমখিবা অসিনি।

আমেরিকাদগী হৌদোরকপা দিজিটেল প্লেটফোর্ম খরসিগা থেংননবা লম-লমদা মশানা হৌদোকচবা দিজিটেল প্লেটফোর্ম লৈনদবা য়াই। খুদম ওইনা মালেমগী মফম খুদিংমক্তা ময়াম্না গুগল শীজিন্নৈ। লম অয়াম্বদা গুগলগা থেংননবা মশাগী দিজিটেল প্লেটফোর্ম অমত্তা হৌদোকপা ঙম্নদে। চাইনাদা Baidu, রসিয়াদা Yandex অদুগা সাউথ কোরিয়াদনা Naver গুম্বা খুদম খরা অসি নত্তনা গুগলগা থেংনবা ঙম্বা দিজিটেল প্লেটফোর্ম অমত্তা অয়াম্বদা হৌদোকপা ঙম্নদ্রি। ইন্দিয়াদসু গুগলগা থেংননবা দিজিটেল প্লেটফোর্ম অমত্তালৈতে।

দিজিটেল প্লেটফোর্ম মখল খরদি লম-লমদা মশাগী দিজিটেল প্লেটফোর্ম লৈনবা ঙম্মী। মখল খরা অমদনা মসি ঙম্নদে। খুদম ওইনা হায়রবদা, লম ময়াম অমদা মশাগী ফূদ দেলিভরি প্লেটফোর্ম কয়া অমা লৈনবা য়াই। অমেরিকাদগী হৌদোরকপা ফূদ দেলিভরি প্লেটফোর্ম (Uber Eats, Door Dash) অসি মখোয়গী লম খুদিংমক্তা শন্দোকপা ঙমদবা য়াই। শন্দোকপা ঙম্লবসু লমদুগী মশাগী ফূদ দেলিভরি প্লেটফোর্ম ফজনা লৈবা য়াই।

য়ু কেদা মশাগী Deliveroo, ইন্দিয়াদা মশাগী Zomato অমসুং Swiggy, ঐখোয়গী মণিপুরদসু FoodWifi অমসুং Taste of Imphal নচিংবা লৈ। অদু ওইবা তারবসু, লম-লমগী search engine platform নৎত্রগা mobile operating system platform দি লৈনদে। মালেম পূম্নমক্তা মী খুদিংমক Apple iOS নৎত্রগা Google Android ঙাক্তা ওইনা শীজিন্নৈ।

মসিগী মরম অসিনা মথংগী আর্টিকলদা খঙমিন্নরসি। ●

**হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্বীজ -১২১গী ৱাহং**

১) "কৃষ্ণ চরিত" হায়বা লাইরিক অসি মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে?

২) "নাটক অমসুং সমাজ" হায়না মিংথোনবা ৱারেং অসি অপূনবা ৱারেংগী লাইরিক অমদগী লৌথোরকপনি। লৌথোরক্লিবা ৱারেং লাইরিক অদুগী মমিং করি কৌবগে? অইবা অসি কনানো?

৩) "অরাম্বাই মকু" হায়বা অসি ৱারীমচাগী লাইরিক্তা য়াওবা ৱারীমচা অমগী মমিংনি। ৱারীমচা অসি য়াওরিবা লাইরিক্কী মমিং অমসুং অইবগী মমিং হায়য়ু।

৪) "নোংদম" হায়বা দ্রামাগী লাইরিক অসি কনানা ইবগে?

৫) "শান্তিগী লৈরাং" হায়রিবা লাইরিক অসি মণিপুরগী মপানগী অইবা অমগী লাইরিক্লি। অইবা অসিগী মমিং ইয়ু।

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম সেপ্টেম্বর ১৫, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।